Tuesday, May 11, 2021, Imphal

HUEIYEN LANPAO



চিফ সেক্রেটরি ইন-চার্জ এম ঐচ খাননা হৌজিক কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ থেংননবা পায়খৎলিবা থবকশিং অমদি ভেক্সিনেসন তৌরিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মফমশিংদা কোয়না চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনখিবা

লমায় ৩



মুস্লিমশিংগী শেংলবা ইফতার থৌরমগা মরী লৈননা খাঙবাকে এ সীগী বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা থোকচোম জাদুমনিনা সঙ্গাইযুম্ফমদা কোয়না চৎতুনা লমদম অদোমগী মীয়ামদা অথুম অহাউশিং খুদোল অমখিবা

লমায় ৫

আই জি এ আর (ইষ্ট)কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী খুগা বট্টালিয়ন্না চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী সিংহাট সব-দিভিজনগী মনুং চনবা এল কানন ভিলেজগী অকোয়বদা থিবা হুম্বা চথবদা ফগৎখিবা খুৎলায়শিং



লমায় ৪

আই জি এ আর-সাউথকী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী তেৎনৌপল বট্টালিয়ন্না স্বচ্ছ ভারত আভিয়ানগী মখাদা খোংখাং ভিলেজদা শাখিবা টোইলেট ব্লোক শঙ্গদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবা



# এম এল এ লৈত্রবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা সী এমনা সুপরভাইস তৌদুনা কোভিদ থেংননবা থবকশিং পায়খৎপীয়ু : আর কে আনন্দ

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

এম এল এ লৈত্রবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা চীফ মিনিষ্টরনা সুপরভাইস তৌদুনা কোভিদ থেংননবা থবকশিং পায়খৎপীয়ু হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরিবা এক্স-এম এল এ, আর কে আন্দনা ফোঙদোকখ্রে।



নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুং চনবা মালোম এরিয়াদা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা কয়া থোরকপদগী মালোম মেগা হায় স্কুলদা মায়কৈ অদোমগী ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিং পুনশিন্দুনা ভলন্টরি ওইনা থোরক্তুনা কোভিদ ৱারিয়র মালোম হায়না কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অমা হাংদোক্লিবা অদুগী ফীভম ঙসি এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা হকথেংননা য়েংশিনবগা লোয়ননা অতা, চিনি, চা মনা, বিস্কুইট, য়েরুম অমদি থক্ক বা ঈশিংনচিংবা কয়া সেন্টর অসিদা তেংবাঙ পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে।

চান-থক্কবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবা অদুগা মরী লৈননা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা হায়খি, মালোমদা লৈরিবা কম্যুনিটি আইসোলেসন সেন্টর অসিনা মালোম অমদি অকোয়বা মফমশিংদা লৈরিবা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা মীওই কয়া থমদুনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। সেন্টর অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা পীবা য়াবা মতেং পীবীদুনা মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্বু কোভিদতগী কন্ননবা হোৎনবীয়ু। নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী ওইনা মেকোলাদা লৈরিবা সী ঐচ সীদা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক চথুরিবা অসিগী মথক্তা এ সী অসিগী অতোপ্পা মফম খরদসু ভেক্সিনেসন সেন্টর খরা হাংদোকপীদুনা মীয়াম্না ভেক্সিন কাপথোকপগী খুদোংচাবা অদু ফংহন্ননবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু। লৈঙাক্লা ভেক্সিন কাপ্পগী অকক্লবা মশীং থম্লকপা অমসুং ভেক্সিন কাপফম মরাং কায়না লৈতবনা মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুরি। কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা লাকপশিং অসি আর এ টিদা হান্না টেষ্ট তৌথোকপীরগা নেগেটিভ ওইবশিং খক্তা কোভিদকী ভেক্সিন কাপথোকপনা চুমগনি। ভেক্সিন কাপ্পা লাক্লিবশিং অদু টেষ্ট তৌদনা ভেক্সিন কাপ্পা মতমদা পোজিটিভ ওইবা য়াওরল্লবদি মদুনা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লহনগনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, এম এল এসু লৈত্রবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী ওইনা হিয়াংথাংদা লৈবা কমখ্যা পেমটন কোলেজদা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী) হাংদোক্লনবা থৌরাং তৌবীরি। অদুমকপু মালোমদা লৈঙাক্কী মতেং ইয়াও য়াওদনা হাংদোক্লিবা কম্যুনিটি আইসোলেসন সেন্টর অসিদসু পাংবা য়াবা মতেং পাংবীয়ু। কোভিদ লায়না-লাইচৎতগী মীয়াম্বু কন্দবা য়ারোই। য়ুম মৈ চাক্লগদি মীয়াম য়োমশিন্দুনা মৈ মুথৎননবা অমসুং য়ুম অদুবু কন্ননবা হোৎনবগুম্না ঐখোয়না খূদিংমক্লা ইশা-ইশানা লৌগদবা থৌদাংশিং লৌমিন্নরগা পুন্না লায়না-লাইচৎ অসি থেংনমিন্নসি। লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা হৌজিক কোভিদকী অনাবশিং লায়েংনবা ফমুং মশীং ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্ল রক্লি। লায়রবা ইমুংদগী কোভিদকী অনাবা অমনা লৈঙাক্কী হোস্পিটালদা লায়েংনবা ফমুং ফংদবদগী লন্নাই হোস্পিটালদা লায়েংবদা য়াম্লবা শেনফম কয়া তিংগদৌরিবনি। লমদম অসিদি লায়রবনসু মশীং য়াম্না লৈরিবনি। অদুনা লন্নাই হোস্পিটালশিংদা লায়েংবা ঙম্লক্তবগী ফীভম লাকপা য়াই। লায়রবশিংনা লন্নাই হোস্পিটালদা লায়েংবদা শেল য়াম্না তিংলিবা অসি তিংহন্দনবা লৈঙাক্লসু অখন্নবা পোলিসী অমা পুথোকপীয়ু।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা কোভিদনা পীরক্লিবা চৈথেংশিং অসিগী য়েংলগা মে অমসুং জুন থা অনীগী ওইনা লায়রবা ইমুংশিংদা লেম্না চেঙ পীগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা চেঙশিং অদু পীরক্লগানি হায়বগী থাজবসু লৈরে। এম এল এ লৈত্রবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুংদা নফসাগী চেঙ নীংথিনা ফংদ্রিবা অসিসু সী এমনা মীৎয়েং চঙবীদুনা ফংহন্ননবা হোৎনবীয়ু। লৈঙাক্লা ট্রান্সপরেন্সি লৈনা এ সী অসিগী মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং নীংথিনা ফংহনবীয়ু। মীয়াম্নসু লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সেন্টরনা রিলিজ তৌরকখ্রবা ফন্দশিংগী করিগী থাদোক্ত্রিবনো : কোংগ্রেস




ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

সেন্টরনা মণিপুরগীদমক রিলিজ তৌরকখ্রবা এম জি এন আর ঈ জি এসকী ফন্দশিং করিগীদমক থাদোক্ত্রিবনো হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এমপি সী সী)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এম পি সী সীগী মীদিয়া দিপার্টমেন্টনা শীল্লগা কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম পি সী সীগী মেম্বর সেরাম নিকেননা হায়খি, সেন্টরনা মণিপুরগী ওইনা এম জি এন আর ঈ জি এসকী থাদোরকখ্রবা ফন্দশিং অসি পঞ্চায়টি রাজ ইনষ্টিট্যুসন (পি আর আই)শিংদা য়ৌহনগদবনি। অদুমকপু হৌজিক ফাওবা ফন্দ কয়া অমা মণিপুর লৈঙাক অমসুং আর দি এন্দ পি আর মিনিষ্টরগী কন্ট্রোল মখাদা লৈরি। হৌখিবা এপ্রিল ২৬তা এম পি সী সীগী মায়কৈদগী সেন্টরনা মণিপুরগীদমক এম জি এন আর ঈ জি এসকী হন্দক্তা রিলিজ তৌরকখ্রবা লুপা ক্রোর ৪৮৫.৫গী য়াওনা ফন্দ খূদিংমক মতম চানা রিলিজ তৌননবা দিমান্দ তৌখিবা লৈখ্রে। মসিগী মতুংদা আর দি এন্দ পি আরগী কম্মিস্নারনা পি আর আইদা ফন্দ অসি য়ৌহন্ননবা রিলিজ ওর্দর থোক্লুরবনি। আর দি এন্দ পি আরগী কম্মিস্নারনা এপ্রিল ২৯দা লুপা ক্রোর ৪৮৫.৫ রিলিজ তৌননবা ওর্দর থোকখ্রগা ফন্দশিং অসি পি আর আইশিংদা য়ৌহন্নবা হোৎনবদা অথিংবা থল্লিবা করিগীনো।

কোভিদ পেন্দেমিক অসি লাক-শিন্ননবা হোৎনবদা শীজিন্ননবগীদমক পঞ্চায়টশিংগী ওইনা লুপা ক্রোর ২৬.২ ঙরাং গ্রান্ট ওইনা রিলিজ তৌখ্রে। হায়রিবা শেনফম অসিনা করম্বা কান্দা পি আর আইশিংদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসি থেংননবা য়ৌহনগদৌরিবনো। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা সেন্টরনা থাদোরকখ্রবা লুপা ক্রোর ৪৮৫.৫ অমসুং লুপা ক্রোর ২৬.২ অসি পি আর আইশিংদা য়ৌহন্ননবা অকক্লবা তারিখশিং লাউথোকপীয়ু। কোভিদ-১৯গী চৈথেং মরক অসিদা মীয়ামগী শেনফমশিং কয়াম কুইনা বি জে পি লৈঙাক অসিনা ফাজিন্দুনা থমখিগদৌরিবনো হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়াদা পুং ২৪গী মনুংদা কেস লাখ ৩.৬৬ থেংনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ১০ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা হৌখিবা নুমীৎ খরনি অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশীং লাখ ৪গী মথক্তা থেংনরমখিবা অদু হন্দরক্তুনা পুং ২৪গী মনুংদা কেস লাখ ৩.৬৬ থেংনখ্রে।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ঙসি অয়ুক পীখিবা দেটা অমগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ইন্দিয়াদা অনৌবা কেস ৩,৬৬,১৬১ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৩৭৫৪ লৈখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী অপূনবা কেস মশীং ২,২৬,৬২,৫৭৫ য়ৌখ্রে অমদি শিখিবা মশীংনা পুন্না ২,৪৬,১১৬ শুখ্রে। অদুগা কেস ৩৭,৪৫,২৭৩না এক্টিভ ওইরি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মীওই ৩,৫৩,৮১৮ দিসচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা লায়না-লাইচৎ অসিদগী পুন্না মীওই ১,৮৬,৭১,২২২ ফগৎলকখ্রে। হৌখিবা নুমীৎ ১৮নি অসিদা নুমীৎ খূদিংগী কেস লাখ ৩গী মথক্তা থেংনরকখিবনি। অদুগা নোংমদা মীওই ৩০০০গী মথক্তা শিবনা থংন-থংননা নুমীৎ ১২নি শুখ্রে। ইন্দিয়াগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ১৭,০১,৭৬,৭০৩দা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে। লোয়ননা মে ১০ ফাওবদা পুন্না সেম্পল ৩০,৩৭,৫০,০৭৭না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌখ্রে হায়রি।

## এমসুনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) হেদ ক্বার্টরগী কুমজা ১৯৮৭-৮৮ সেসনগী এটলার্জ সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুবীরম্বদা নত্তনা মতম কুইনা শাংনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া তৌবীরম্বা অমদি লমদম অসিগী তুংগী মীরোল শেমগৎপদা ওজা অমা ওইদুনা অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা থাংমৈবন্দ পোলেম লৈকায়দগী চিংশুবম বুধনা হৌখিবা মে ৯দা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা এমসুনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। ওজা অসিনা লৌবীরম্বা থৌদাং মেনশিনবা ঙমদনা হাঙদুনা লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা খুরুমজবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না এমসুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাংখৈমযুম রিমাকননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## কুম্ভ মেলা অমসুং ষ্টেট ৫গী মীখল পাঙথোকপা এস ও পি ঙাকখিদবননি : এম পি পি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

মালেমদা ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯গী অনাবা মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা অনীশুবা লৈবাক ওইরক্লিবসি কুম্ভ মেলা অমসুং ষ্টেট মঙাগী মীখল পাঙথোকপদা এস ও পি ঙাকখিদবননি হায়না মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)না ফোঙদোরক্লি।

এম পি পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এস ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯গী অনাবা মশীং খ্বাইদগী য়াম্না থেংনবদা অমেরিকানা অহানবা অমসুং ইন্দিয়ানা অনীশুবা লৈবাক ওইরক্লি। কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভ মপুং ফানা থেংনবা ঙল্লিঙৈদা কুম্ভ মেলা পাঙথোকপদা অমসুং ষ্টেট মঙাগী মীখল পাঙথোকপদা এস ও পি ঙাকপা ঙমখিদবা অসিনা মরম ওইরগা কোভিদকী অনীশুবা ৱেভসিনা মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীয়ামদা পাক শন্না শন্দোরক্তুনা অনা-অয়েক অমদি মীশি-মীনা মায়োক্লুরকপগী চাং ৱাংখৎলকপনি। বি জে পিগী লৈঙাক অসিবু লুচিংলিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুর মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা খোঙজং চঙশিনবীনবা আপীল তৌজরি।

চেরোল অসিনা হায়, কুম্ভ মেলা হিন্দুশিংগী অচৌবা কুম্ভ অমনি। মসিবু শরুক য়াবা লাকখিবা ইন্দিয়াগী হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওই লাখ কয়ানা কোভিদ লায়নাদগী ঙাকথোক্লনবা এস ও পি ঙাক্লা চৎপা ঙমখিদে অমসুং মেলা অসি লুপা ক্রোর ৪০০০ রোম চঙনা পাঙথোকখিবনি হায়না সোসল মীদিয়াশিংদা ফোঙদোক্লরি। কুম্ভ মেলাদা শরুক য়ারুবশিং নোংমদা মীওই লিশিং ৫গী মথক্তা কোভিদ নারকপগী মীদিয়াশিংদা ফোঙদোক্লখ্রে। অমরোমদা, ইন্দিয়াগী ষ্টেট মঙাদা এসেমব্লী মীখল পাঙথোকপদা এস ও পি ঙাকখিদবনা মরম ওইরগা কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ অসি ষ্টেট পুম্নমক্তা পাক-শন্না শন্দোরকপগী অচৌবা লম্বী ওইহল্লকখিবনি।

মণিপুরদা কোভিদকী অনীশুবা ৱেভ অসি খঙহেন হেঞ্জিল্লক্লিবসি মণিপুরগী মপান্দা লৈরুবা মীওই কয়ানা কোভিদ টেষ্ট তৌদনা ময়ুম-ময়ুমদা চঙলকখিবনা লায়না অসিনা লৈকায় লৈকায়দা পাক্তক্লনা শন্দোরকখিবনি। কোভিদ নাবগী চাং অসি নোংমদা ৫০০/৬০০ ফাওবা অমসুং শিবগী চাংনা ১২/১৫ ফাওবা য়ৌরক্তুনা লায়না-লাইচৎ অসিনা নাখিবা মশীং পুন্না লিশিং ৩৫ হেনখিবগা লোয়ননা লৈখিদবা মশীংসু ৪৭৩ য়ৌখ্রে। মপান্দগী চঙলকপা খূদিংমক কোভিদ সেন্টরশিংদা থম্বীরগা টেষ্ট তৌরবা মতুং নেগেটিভ ওইরবশিংবু ময়ুম-ময়ুমদা থাননবা থৌরাংশিং পায়খৎপীয়ু। কোভিদনা নারবশিং ময়ুম-ময়ুমদা হোম ক্বারন্টিন তৌবদা খুদোংচাদবশিং লৈঙাক্কী কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা থম্বীবনা চুমগনি। কোভিদনা নারবশিং হোস্পিটালদা পুখৎপদা ষ্টেট লৈঙাক্কী অয়াবা চে য়াওদ্রবদি লায়েংবীয়ু য়াদ্রে। মীচঙ-শঙ্গা লৈজদবা অনাবশিং অৱাবা ফীভম কয়া মায়োক্লুরে। অসিগুম্বা চৎনবী অসিগী মায়োক্তা ঈহৌ কয়া লাকপা য়াই। হেল্থকী থৌসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ত হোস্পিটালশিং অমসুং হেল্থ সেন্টরশিংদা অৱাৎপা ডোক্তরশিং, নর্সশিং অমসুং হেল্থ ৱর্করশিং লৌবীরগা কোভিদ লায়েংফম ওন্থোকপীয়ু। পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওইবা ওল পোলিটিকেল পার্টি কোভিন-১৯ কম্মিটি অমা শেল্লগা মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী মতেং পাংশিনফম থোকই হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

## মে ১০ ফাওবদা মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি মে ১১গী অহিং নোংয়াইদগী বন্দ তৌরগনি : কম্মিটি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ত ফ্লদ ভিক্তিম কম্মিটিনা থল্লিবা ৱাফমশিং লাক্লিবা মে ১০ ফাওবদা মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি মে ১১গী অহিং নোংয়াইদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ততা পুং ৪৮গী বন্দ কৌরগনি হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ত ফ্লদ ভিক্তিম কম্মিটিগী চ্যেরমেন ওক্রম রতন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ততা কুমজা ২০১৫দগী ২০১৭ ফাওবদা থোকখিবা ঈশিং-ঈচাউগী ফংফম থোকপা শেনফমশিং অশেংবা ভিক্তিমদা ফংহনবীবগী মহুৎ থৌবাল এদমিনিষ্ট্রেসনগা য়ানবা এজেন্ট খরদা পীশিল্লে। এজেন্টশিং অসিনা অশাবা পাট্টা, আধারনচিংবা শীজিন্নবদা নত্তনা এস বি আই থৌবাল ব্রাঞ্চনসু অশাবা চে-চাং কয়া শীজিন্নদুনা বেঙ্ক একাউন্ট কয়া ভিক্তিম মশা খঙহন্দনা হাংদোক্লি।

এজেন্টশিং অসিগা দিপার্টমেন্ট খরগী ওফিসর খরগা মান্নরগা ফেক দোক্যুমেন্টশিংবু চুল্লে হায়না ভেরিফাই তৌরি। মখোয়শিং অসিগী মথক্তা দিষ্ট্রিক্ত এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোক থোংবশিংনা থিগৎপীয়ু হায়রবসু য়াদ্রে। মমাঙদা এম দি তাহের আলি কৌবা অমদা লুপা ক্রোর ২গী শেনফম কায়থোকহনখি অমদি অশেংবা ভিক্তিমদনা লুপা অমফাওবা য়ৌখিদে। হন্দক অমুক হন্না এম দি নাসির এলিয়স জিবন কৌবা মীওই অমদা অমুক হন্না লুপা ক্রোর ২গী চ্যেক পীশিল্লে। ঈশিং-ঈচাউনা অৱাবা নংহনখ্রবা মীওইশিংগী ফংফম থোকপা রাইট মৎলিবা এজেন্টশিং অমদি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওফিসরশিংগী মথক্তা চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লাক্লিবা মে ১০ ফাওবদা মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি মে ১১গী অহিং নোংয়াইদগী পুং ৪৮ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ত বন্দ কৌরগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## এ আরনা খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

আই জি এ আর (ইষ্ট)কী মীৎয়েং মখাদা অসাম রাইফলসকী খুগা বট্টালিয়ন্না ইন্দো ম্যান্মার বোর্দরদা লৈবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী সিংহাট সব-দিভিজনগী মনুং চনবা এল কানন ভিলেজগী অকোয়বদা হৌখিবা মে ৬তা থিবা হুম্বা চথবদা খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদি এ কে ৫৬ রাইফল অমা, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অনী অমদি নোংমৈ মরূ কয়া য়াওরি। ফাগৎলবা খুৎশু-খুৎলায়শিং অদু পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়না আই জি এ আরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## কর্ফিয়ু থুগায়দুনা লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবশিংদগী লুপা লাখ ১.৭ ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস) :

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিগা মায়োক্লনবা মণিপুর লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্তবা মীওইশিং মণিপুর পুলিসনা দিটেন তৌখিবগা লোয়ননা ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চৎথরি।

ঙসিসু মণিপুর পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসি মায়োক্লনবা লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবা য়ুমদগী মপান থোক্লকপদা ফেস মাস্ক উপ্পক্তবা, মীয়াম তিনবা মফমদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা, মীয়াম তিনবা মফমদা লোক-তিন শিৎপা লোয়ননা কর্ফিয়ু থুগায়দুনা থোক্লকপা য়াওনা মীওই ২৮২ রোম দিটেন তৌখি। মখোয়শিং অদু মখা তানা তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। মখোয়দগী ফাইন ওইনা লুপা ১,০৭,১৫০ রোম খোমগৎখি।

লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন থুগায়বা মীওইশিং অসি নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা লিগেল এক্সন লৌখৎপসু য়াই হায়রি।

ঙসি পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা দিটেন তৌখিবা মীওই ২৮২ অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক পুলিসনা ৭৫, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক পুলিসনা ৬, থৌবাল দিষ্ট্রিক পুলিসনা ৬৮, ককচিং দিষ্ট্রিক পুলিসনা ৩১, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক পুলিসনা ৭৩ অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক পুলিসনা ১ ফাগৎখি হায়রি।

## ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিং অমদি থবক্তগী পোত্থারবশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিং অমদি থবক্তগী পোত্থারবশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লুরি হায়না ওল মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি ফিল্ড এসিষ্টেন্ট ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি সী ঐচ অশোককুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাগী অরোইবা শরুক্তা দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টরনা থবক পায়বগী মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা তুংদা দিপার্টমেন্ট মশাগী ওইবা ওফিসল অমবু দিরেক্টর ওইনা হাপ্পগী মহুৎতা ওর্দর অমা থোক্তুনা হৌজিক হৌজিক আই এ এস ওফিসর অমনা দিরেক্টরগী থৌ পুরি। মসিনা দিপার্টমেন্টকী ওইবা তৌদবা য়াদবা থবক থৌরম খরখক তৌরবসু দিপার্টমেন্ট অসিদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিং অমদি থবক্তগী পোত্থারবা কয়াদি অৱা-অনা কয়া মায়োক্লুরি। মতম চানা ফংফম থোকপা পেন্সনরশিংগী লীভ সেল্লরি, জি পি এফ, ফাইনেল ৱিথদ্রোৱেল অমদি মরী লৈনবা চে-চাং কয়া অমা পেন্দিংদা লৈরি। থা-থাগী ফংফম থোকপা শেনফম খরা ফংজরগা ইমুং-মনুংগী অৱাৎ-অপা কয়া মেঞ্জরম্বদু ঙসিদি অরেম্বদা তারে।

চেরোল অসিনা হায়, মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী অৱা-চৈথেং কয়া মায়োক্ল রিঙৈ তাল্লক অসিদা অপীকপা শেনফম খরদা ওইরবসু ফংজরগা ইমুং-মনুং মেন্নগদবা অদু অরেম্বদা তাহল্লে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা পূক্লিং চঙবীদুনা অৱাবা তারবা দিপার্টমেন্ট অসিগী ইমপ্লোয়ীশিং অমদি পেন্সনরশিংগী প্রোসেসতা লৈরিবা কয়াগী খনবীদুনা অথুবা মতমদা মতিক চাবা অমবু দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্টর থৌ পুহন্ননবা ওর্দর থোকপীয়ু অমসুং অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবশিং অসি কোকহনবীয়ু।

হৌজিক হৌজিক উখ্রুল অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তকী জেইন্ট দিরেক্টর (দি দি ও) লৈতদুনা জন্যুৱারী/ফেব্রুৱারী থাদগী ঙসি ফাওবা ফংফম থোকপা তোলোপ ফংদদুনা লৈরি। মফমশিং অসিদা মথৌ তৌজরিবা ইমপ্লোয়ীশিং করম্বা ফীভমদা লৈরমগনি। লৈঙাক্লা চীন দদি গো টু হিলস হায়রগা চীংদা পোষ্টিং তাবা কাঙবুদি চরা হেনবা তারব্রা। আই এ এস ওফিসর অমনা দিপার্টমেন্টকী ওইবা অকুপ-অতা লোইনা উশিনবদি ৱাৎকনি। মরমদি ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্ট হায়বসি শা-ষন, য়ুমদা য়োকপা থৱায় পানবা য়ুমশা কয়াবু লায়েংবগা লোয়ননা লাইফ ষ্টোক ফার্মিংনচিংবা কয়া তৌদুনা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহল্লিবা অমদি লমদম অসিদা থবক ফংদ্রিবা হৌগৎলক্লিবা নহা কয়াগী শেন্থোক লৈহল্লিবা দিপার্টমেন্ট অমনি। করিগুম্বা দিপার্টমেন্টকী চে-চাং অমা দিরেক্টরদা পীগদবা লৈরবসু সেক্রেটরিয়েটতা ফম্বা আই এ এস ওফিসর অমনা দিরেক্টরগী চার্জ পুরিবনিনা য়ৌদবা য়াদবা কয়া অসিনা প্রোসেস শাংহনবা অমনি। খুদক্তা লোইশিনবা য়াবা কয়াদু অরেম্বদা পন্থহল্লে। লোয়ননা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে।

দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরনা দিষ্ট্রিক্তশিংদা মথৌ তৌরিবা জেইন্ট দিরেক্টরশিংগা ওফিসলগী ওইনা অৱাৎ অপা কয়া তান্ন-তীক্লগদবা কয়াসু হেন্না লাপথোক্ল হল্লে। পুম্নমকশিং অসি য়েংবীরগা লৈঙাক্লা দিরেক্টর অসি দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসলশিংগী মরক্তগী মথং-মনাও নাইনা কায়হন্দনা হাপ্পীয়ু। হায়রিবা ৱাফম অসি পেন্সন ফংগদবশিং অমসুং ইমপ্লোয়ীশিংগী খনবীরগা লৈঙাক্লা অথুবদা থবক ওইনা পাঙথোকপীয়ু। দিপার্টমেন্ট অসিগী ওইবা মশাগী সর্ভিস রুল লৈজরিবনি। ইন্দিয়ন ভেটিরিনরি কাউন্সীল এক্টকী মখাদা শেম্বা মণিপুর ষ্টেট ভেটিরিনরি কাউন্সীলদা রেজিষ্টর তৌরবা ভেটিরিনরি প্রক্তিসনর/ডোক্তর অমনা দিরেক্টর ওইগদবনি। মসিগী ওন্নবদা অসুম অসুম চথদুনা লৈরবদি দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসর ওইরিবা ডোক্তর কয়া পুকচেল শেংনা, মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপদা নীংহন্ননবা মচাক ওইহল্লক্কনি। লৈঙাক্লা পুম্নমকশিং অসি খঙবী উবীরগা অথুবা মতমদা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোকপীদ্রবদি দিপার্টমেন্ট অসিগী থৌমীশিং অমত্তা ওইনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্ননবসু শেম-শাবা লোইরে হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কেশো ইরেংবানা লৈখিদবদা তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, মে ১০ (ঐচএনএস):

লমদম অসিগী শক্লাইরবা অইবা অমা ওইবদা নত্তনা ওল ইন্দিয়া রেদিও (এ আই আর), ইম্ফালগী ঈশৈ ময়েক ইবা অমসু ওইরিবা কেশো ইরেংবানা লৈখিদবদা তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

শৈরেংবশিংগী অপূনবা লূপ (এস এস এ এল), ইম্ফালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওকেন্দ্রো খুন্দোংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা শকখঙলবা ঈশৈ ময়েক ইবশিংগী লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. সগোলশেম ইবুংঙোচৌবীনা প্রিসাইদ তৌদুনা ওনলাইনগী খুথাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা কেশো ইরেংবানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনসু মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায় মীরেলনা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিজখি।

অৱাবা ফোঙবগী মীফম অদুদা লূপ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম মনিহার, ইরেংবম হোমেন্দ্রো, সেক্রেটরি মোইরাংথেম জিবন, ফাইনান্স সেক্রেটরি কৈশাম প্রিয়োকুমার, পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম য়াওনা থৌমী কয়ানা শরুক য়াখি।

লৈখিদ্রবা কেশো তোঙান তোঙানবা লোয়নশিল্লোনগী লূপ কয়াগা খুৎশম্ন দুনা মণিপুরী লিটরেচরবু চাউখৎনবা হোৎনরমখিবা মীশক অমনি। মহাক্কী শৈরেং, ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক য়াওনা লাইরিক ৫ রোম ফোঙখ্রে। ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফালগী এপ্রুভ লিরিসিস অমসুনি। মহাক ঐচ এ এলগী অচঙবা থৌমী অমসু ওইরম্মী। মহাক্লা লৈখিদবা অসি লোয়নশিল্লোনগী লমদা অচৌবা মাঙজবনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, দি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রি রাজেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী লাইফ মেম্বর ওইবীরম্বা মীয়াম্না শকখঙনরবা অৱাং পোৎশংবম খুনৌদগী কেশো ইরেংবানা লৈখিদবদা ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর হুইরেম বিহারীনা থৌরম মপু ওইরগা ফোরম অসিগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা ঙসি নুমীদাং ওনলাইনগী খুথাংদা পাঙথোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা কেশোনা মণিপুরী সাহিত্য চাউখৎননবা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবীরম্মী। মহাক্লা লৈখিদবা অসি মণিপুরী সাহিত্যগী মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা মাঙজবা অমনি। অইবা অসিনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মিনিট ২ তুমীন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না তাইবং মপুগী খুয়াদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জেলূপ (ইমাখোল)গী ফাউন্দর সেক্রেটরি ওইরম্বদা নত্তনা প্রসিদেন্টসু ওইবীরম্বা শক্লাইরবা অইবা কেশো ইরেংবানা লৈখিদবদা ইমাখোলগী থৌমীশিংনা ওনলাইনগী খুথাংদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিজখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না ইমাখোলগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাহেংবম রোমেন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।